# ত্বেন্টিফার্ষ্ট সেঞ্চুরিগী ইমোইনু


— ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ —
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর
দিপার্টমেন্ট ওফ উমংলাই হরাউবা
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর

*উয়ান্দা* চাক থোংলগা পীজরবদি নুপা-নহাশিংদু অমত্তা মতিং লৈররোই, মতিক ময়াই পূন্বা চমখিদুনা পুন্সি নুংশাংলোই হায়বা ইপা-ইপুগী অরুবা ৱাফম অমা লৈবনা অসিগুম্বা লীচৎ চৎপা ইমুংদা, মফমদুদা ইমোইনু ইমানা নোংমতসু চঙদুনা লৈবীদে। ইমানা খ্বাইদগী য়েংজনীংদবসি অসিগুম্বা য়ূম্বাল্লোন অসিনি। মতৌ অসুম্না চফু-উয়ান নাইদবখক্তা নত্তনা ইঙ্খোল কোয়নিংদবা, ইঙ্খোলগী মনা-মশিংবু মীরাইদুনা মীরমদগী পুশিল্লকপা হু চাইবা চিঞ্জাকশিংবুনা হেন্না হাওনা চারবা মহাক্তুনা ঙা অঙৌবা মোন লিশীং অমা কৎলবসু ইমোইনু লাইরেন্বীনা হন্নফাওবা য়েংবিরক্লোই হায়বসি ঐখোয় অয়াম্বনা হেক হেক কাউথোক্লে। থকসি-খাসি নাইদবা, লমচৎ-শাজৎ চুমদবা, চাকচা-য়ুথক লুদবা, ফিজেৎ-চাকচা কাম্বা, মপানাৎ-মপুনাৎ থৌওইদবা (মীনাত্তা লূপ্পা), তিনখেৎ-লাইখেৎপা, হৌরকফম খঙদবা, ঈ-মরী খোঙ্গুল লীদবা, য়েক সলাইগী চৎনবীশিংবু তয়াং-তয়াংনা লৌবা, লাইবক্তা লৈশাদি নম্লগা মালেম ইমাগী মহৌশাগী খলবুদি থুগাইবা, মমা-মপাবু কিদবা, ময়াম্বা-মচেম্বু থৌওইদবা, য়ূমগী পিবা ওইবা মহাকপু মীথাদবা, লৈবাক্কী অঙম অথৌ, ফম্নাইবশিংবু কিদবা, ওজানা তাকপীববু থৌওইনা লৌদ্রবা, হায়নখিবা ৱাবু ঙাক্তবা, অশোন-অনা অমদি লাঞ্জদবা মীদা অকল-অরিং শিংলবা, মচা মৱা লৈবা নুপীবু মিৎয়েং চঙনা কৌরবা, য়ূম্বু মৈ থারবা, অরৈবা মীবু লৈতে হায়রগা লৈতবা মীবুনা লৈ হায়না ওইদবা ঙাঙলবা, মীগী ইনকম, লৌরি-য়ূম্ফমবু মুল্লবা, মহাক্কী মচিন্দগী ওইদবা নমথাক অমদি চিরোল ৱাহৈনা মীবু পংহল্লগে হায়না নিংলবা, অখঙবা অহৈবা মীবু থৌওইদদুনা খঙদ-হৈতবা মীগা মরুপ ওইরবা, মালেম লৈপাকপু ফত্তে হায়না নিংলবা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎপু কান্নদবা পোৎশক্লি হায়না লৌরবা, মীরল চুমদবা, মথৌনা লৈতবা, মপুগী মতিক-ময়াই খঙদবা, ইমুং মনুং অমদি মরী-মতাদগী হেন্দোক্তুনা খুন লৈকায় অমদি লৈবাক মীয়ামগীনি হায়দুনা মতম অমদি পৈশাগা অমত্তা কায়থোকপা ঙমদ্রবা, য়ূমথংনবগী ইঙ্খোলদা ফত্ত-হৌদি লংশিনবা অমসুং উ-ৱা থাজিনবা, মীগী লৌবুক্তগী ঈশিংদু নঙগীদা তুমিন্না ফাৎথরবা, মীগী মপোৎপু ৱাইরগা পংশিদা শীজিন্নরবা অমদি লোয়রগা থিন্দোকখিগনি হায়বসু খঙদবা, মকুবোক-মনেমবোকপু মমা-মপাগুম খনবা ঙমদ্রবা, লাইগী ময়েক য়াওবা চেদা-লাইরিক্তা খোঙনা নেৎতুনা অমদি কাখৎতুনা ফম্লগা চাক-চারবা, তাইবঙ মপুগী খূৎশেমবু খঙবা ঙমদ্রবা, মপু মাগী থৌগল তৌনবা অচুম্বা কাঙলোনবু থৌওইদ্রবা, মালেমসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা/পান্দবা, অচৎ-চৎত পূম্নমকসি তাইবঙ মপুনা করিগীদমক শেল্লল্লিবনো হায়বা খন্থবা ঙমদ্রবা, চজিক অমদি লুখাক য়াম্না লেমহল্লবা, তশেংনা হৈবা মীবু কাম্থোক্লগা পৈশা য়াম্না পীবা ঙম্বা হৈদি হৈতবা মীবু লৈবাক্কী থবক পুহল্লবা, ওজা চাক্লৌদুনা পরিক্ষা ঙম্নবা হোৎনরবা, মীয়ামগী ওইবা লন-থুম্বু ঐগীসু শরুক য়াওরিবনি হায়না খনবা ঙমদ্রবা, ঙস্মী মতাগুম্না লাইফম তিনফমবু হেক্তা থুগাইরবা অমদি তিল্লম-লাইরম্বু হেক্তা লোয়না থিংজিল্লবা, লমগী ষণনা মচি শাংই খন্দুনা ইপোৎ ইরনবুনা কাঞ্জ থাঙ তাহল্লগা মীরমগী পোৎতনা হেন্না ঙাওরবা, হুমাংদি তাদনা শেলদি য়াম্না পায়নীংলবা, মীগী চাক্লুক্তা খুজাই থাংজিল্লবা, য়ূম পানখ্রবী মচা নিঙোলবু অরুবা মরমসু লৈতনা মপামদা পঙলেক্তা লেকহনবা, নিঙোল মৱানা নুপী মপামগী চাক-এঞ্জাংদা কা হেন্না পূক্লিং লুপ্পবা, মৌ ওইরবীশিংনা ফনেক ফিদোল চিংখৎতনা চাক থোংলগা নুপা-নহাদা পীজরবা, মকু-মতৈ উরগা মকোক খুমদ্রবা, য়ূমশারোন ঙাক্লা য়ূম শাদ্রবা অসিনচিংবা মীওইশিংনা লৈবা য়ূমদা অমদি ইমুংদা লাইরেন্বী ইমানা নোংমতসু মীৎয়েং চঙদে হায়বসি ফজনা খঙদনা ইমাবু ঐখোয়না পংখুমদা খুরুমনৈ।

ইমোইনু ইরাৎ থৌনিবগী নুমিৎ (ৱাকচিংগী ১২ নি পানবা) অসি লুৱাং সলাইগী অপোকপা খুরুম্বা নুমিৎকা নোংমতদা পূন্না ওইমিন্নরিবসি মতৌ করম্না ওইরিবনো হায়বগী ৱারী ৱাখোঙদি ঐখোয় অয়াম্বনা লোয়না কাউনরক্লবনিদো। মমাঙৈদা ফুঙ্গা লাইরুদা ইমোইনু ইমাগী খুভম য়াদুনা ইরাৎ-থৌনিরম্বদু ঙসিদি চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না য়ূমশারোন্দা অহোংবা কয়া লাকপদগী ইমাগী খুভমসি মথোং মরম খঙলক্ত্রদুনা চাক থোংনবা গ্যাসকী মনাক্তা ওইনা ঙা অঙৌবা, অথেনপোৎ, মৈরানচিংবা কৎপগী চৎনবী অমসু কন্না উবা ফংলক্লি। কৈথেলদা ইমোইনুগী ফোটো অমদি মুর্ত্তিনচিংবা কয়া মরাং কায়না য়োল্লবনিনা মীয়াম্নসু মদু লৈ লৈদুনা চাকখুমদা লাৎপগী নুংতিগী চাক-ঈশিং কৎপা (থাবা হায়বসি তৌহৈদে/হায়হৈদে) নচিংবসু কন্না তৌখৎনরক্লি। মৈত্রবাক্কী পুৱারীনা নাউয়োক্তুনা লাকপা নাৎকী লনগৈ ওইরিবা ইমোইনু ইমাবু ইরাৎ থৌনি তৌদুনা খুরুমজবগী ঈহৌ অসি ঙসিদি মায়কৈ মায়কৈ খুদিংদা চাউনা চাউনা পাঙথোক্লরক্লি। লাইরেন্বী অসি লাৎপগী কান্নবশিং অসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরক্তুনা ঙসিদি ষ্টেটকী হোলিদে ফাওবা ওইরক্লি। অদুবু হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি লন-থুমগী লাইরেন্বী ওইবতা নত্তনা মীওইবগী পুন্সিবু মপোক মহয় য়ান্না পান্নবগীদমক্তা য়ূম্বানলোন, পুন্সিরোল, খুন্নাইরোলনচিংবা কয়াগী কান্না কান্নরবা পাউতাক-পাউজেল, লাইৱা কয়া কয়াসু পীরিবা লাইথৌ অসিগী নুংগী ৱাহন্থোক অমদি ফজ ফজরবা ৱাখল্লোনশিংদুনা নাথৈদুনা থম্লম্লগা কুম্মৈ ইরাং লোমদনা হেন্না পূক্লিং চঙনরকপগী মওং মতৌ অমা উরক্লিবসি করিদগীনো হায়বা মরমদু মতম লৈরিঙৈদা নিংথিনা থিদোকহৌবনা চুমলোইদ্রা?

লৈবাক মীয়ামগী সোসিও-ইকনমিক্কী ফীভম ফগৎহন্দুনা ইং-তপ্পা তংদু লৈতাবা অমদি চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনবদা খ্বাইদগী অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা লাইথৌ অসি ঙসিগী চাওখৎলবা ত্বেন্টিফার্ষ্ট সেঞ্চুরি অসিদা মতৌ করম্না মীয়ামদা পামহনগদগে লোয়ননা খুন্নাইগী পুন্সি মহিংদা করম্না চুশিন্নহনগদগে হায়বদু ফজনা নৈনমিন্নরবদি লাইরেন্বী অসিগী লাইথৌ নুমিৎ পাঙথোকপগী মহয়দু য়ানগনি হায়না থাজে। পুন্সিগী শিন্থা পাঙননবা পরম কাঙলোন পূম্বা য়াৎপীরিবা ইমাগী ৱাঙুলোনশিংবু নাথৈরগা চুম্নগী কুম্মৈ ফিয়োং ওইনা তয়াং-তয়াংনা পাঙথোক্লরক্লবদি ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা নাৎকী ইচাক-ইরনশিংবু মাঙহনবগুম থোক্কনি। হৌজিক মতমগী কাং-খোঙ চাইরবা য়ূম্বাল্লোন অমদি তৎখ্রবা খুন্নাইগী মরীশিং অসি শমজিন্নবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বী ওইরিবা লোয়ননা তাইবঙ লিচৎকী অথুপ্পা লাইৱা ওইরিবা ইমোইনু ইমাগী পাউজেল কয়াসি কুপ্না নৈনদুনা পুন্সি নুংশাংনা অমদি খুয়া তুশিৎনা পানবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নবসু মথৌ য়াম্না তারি। মালেম মীয়াম মমাঙদা চাউথোকচফমসু ওইরবা ইমাগী ইরাৎ থৌনিফম ওইরিবা য়াম্না মরু ওইরবা লাইফম অমদি খুভম কয়াবুনা হুন্দোক্তুনা মাঙহল্লগা শোমদনা চফু অচৌ অচৌবা অমদি মৈগী কুম্মৈ কয়া তৌদুনা লৈথোক্লবদি ইমানা ঐখোয়বু থৌজাল লনকুবীরম্বদি লায়রদুনা অখাবা মিৎয়েংনা ওইনা য়েংবীরম্বদি শোয়রোই। পুৱারীগা শাগোন্নদুনা হিংমিন্নরক্লবা থাংজিং লাইফমলেন, কৌব্রু লাইফমলেন্নচিংবদা ইমাগী খুভম অমদি লাইফম কয়াসু লৈরকই। লমলেন লুৱাংশঙবমদসু ইমোইনু অহোঙ্গৈ লিংদুনা নিংথৌরোল কয়া কয়ানা ইরাৎ থৌনিরকই। ৱাইথৌগী চেঙ্গৈচীং অসিমকসু ইমাগী লিরবা লাইফম ওইরকই। লাইবক থিবদি হায়রিবা লাইফমশিং অসি ঙসিদি করি-করি ফীভমদা লৈরিবগে হায়বদু ইমোইনু ইরাৎ থৌনি চাউনা চাউনা শীনবিরিবা লূপশিং অমদি ইনাৎপু নুংশিজবা মীওইশিংনা নোংমতা নীংশিংনদবসিনি। অদুগা শোমদনা তৌহৈ তৌহৈদেসু খঙদনা উমংলাই লাইকোন্দা ওইনা পান্থোইবী ঈরাৎপগুম্না ইমোইনুসু ইরাৎ থৌনি তৌশিল্লিবসি লৈবাক মীয়াম্না নৈনফম থোকই।

মতিক ময়াই চাওবী ইমাগী থৌনিরোলদা য়াওরিবা "অচিবী খোং কংদবী, ইমোইনু অহোং-অচাওবী, তরা চাক্লিং খাক্লা চাকশৌবী..." হায়বা মিংখৈ অসিনা ঐখোয়দা করি করি পাড়া তাকপীরিবগে হায়বদু খঙনা তাইবঙ শিন্থা পাঙলবদি ইমাবু নীংজবগী মহয়দু খরদং ওইরবসু ফংগদ্রা হায়না খল্লি। হিপোকপী য়াইপোকপী, হীরৈমা য়াইরৈমা, হীকুবী য়াইকুবী, য়াইসনা কৌনা মীংগৌনরিবী লাইরেন্বী অসিনা করম করম্বা লাংওন-শাইওনশিং তৌদুনা করি করি থৌদোক-কুম্মৌশিং শান্নরম্বগে লোয়ননা মীওইবা খুন্নাইগীদমক ৱাখল লৌশিং ওইনবা য়াবা করি করি পাড়াশিং খুদোল তৌবীরম্বগে হায়বদু নৈনবা অমদি খঙমীন্নবনা ইমাগী ইরাৎপগী মরূওইবা থৌরম ওইহঞ্জনীংই। লক্ষ্মী চরিত্রাদা য়াওরিবা জ্ঞানশিং অদুদগীসু হেল্লবা ৱাখল লৌশিং কয়া অমা ইমোইনু ইমাগী ৱারীদা য়াওরি হায়বসি তশেংনা খঙনীংবগী অমদি থিজিন্নীংবগী ৱাখল অমা ফাওরক্ত্রগদি ইমাগী অচানবা মনাই ওইবা খক ঙল্লোই।



## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### কোংগ্রেস লৈঙাক্লা লৈখায় তাহনবীরম্মু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***মণিপুর*** মীয়ামগী পুকচাক লম্বী ওইরিবা নেসনল হায়ৱে অনী হায়বদি হায়ৱে নম্বর ০২ ইম্ফাল দিমাপুর অমসুং হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম অনী অসিদা এন এস সী এন (আই-এম) গী অপ্লেলাগী মখাদা লৈরিবা য়ু এন সীনা সিভিল ওর্গেনাইজেসন শাদুনা মখোয়গী অনিংবা, অপাম্বগী মায়োক্তা থবক অমত্তা চথবা য়ারোই হায়দুনা হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বর ১ দগী চথরকখিবা ইকনমিক ব্লোকেদনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবদা মণিপুর মীচম মীয়ামগী হিংবগী হক পূম্নমকপু নাথৈবীবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়জনীংই। ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরনা ফাওবা ঐখোয় ইপা ইচা, ইচিল ইনাও ঙাক্তনি, ব্লোকেদ তৌদুনা মীয়াম্বু ৱাহনবা হায়বসি চুম্লোই, ব্লোকেদ তৌবীগনু হায়দুনা কয়ারক হন্না আপিল তৌখ্রবনি। অদুগীসু মথক্তা সিভিল ওর্গেনাইজেসন কয়া পুনশিন্নদুনা মিটিং কয়া ফমদুনা ব্লোকেদ হন্দোক্লবা আপিল কয়া তৌখ্রে। অমুক্কসু ইকনমিক ব্লোকেদ অসি হন্দোকপা য়াব্রা হায়দুনা মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না কাউন্টর ব্লোকেদ চথদুনা য়েংলুরবনি অদুবু য়ু এন সীনা কনা অমত্তগী মৱা মনাদা হাপ্তুনা ঙসি ফাওবা চথদুনা লৈরি। কৈদৌঙৈ ব্লোকেদ হন্দোক্কনি হায়বসু কনা অমত্তনা উবা ফংদে।

আই এস টি ভিদা ইকনমিক ব্লোকেদকী খন্ন নৈনবদা বি জে পীনা হায়রি কোংগ্রেসনা থোকহনবনি অদুগা কোংগ্রেসনা হায়রিবনা এন এস সী এন (আই-এম) গা সেন্তরগা লৌতুনদুনা ব্লোকেদ তৌহনবনি। হায়রিবা সেন্তর অমসুং ষ্টেট অনীনা শান্নরিবা রোল অসি লাক্কদৌরিবা মণিপুর বিধান সভাগী ১১ শুবা ইলেক্সনগীদমক্তা ভোটর খোম্বনি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। সেন্তর অমসুং ষ্টেটনা ভোটর ফংনবা হোৎনরিঙৈদা মীয়ামদি মনিংথোঙ ফুঞ্জিল্লক্লে। মীয়ামগী মনিংথোঙ ফুন্দনবগীদমক অমসুং ইকনমিক ব্লোকেদ হন্দোক্লবগীদমক্তা অইবা ইশাগী মত খরা থমজগে মদুদি মণিপুরগী কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি পার্টি অনীমক্কী কেন্দিদেট পূম্নমক মণিপুর ইমা লৈবাক্কী মচা নত্ত্রা? মচা ওইরবদি কোক চুংশিন্নবিরগা ব্লোকেদ তৌরিবসি অচুম্ব্রা নৎত্রগা অরানব্রা হায়বদু থিদোকমিন্নরগা পূন্না য়ু এন সীদা আপিল অমতং তৌবদা তোকখিগদবা অদুবু ৱা ওইনা লৌনদুনা অরেম্বদা মীচম মীয়াম্বু ৱাহনবা হায়বসি থৌশিল হৈতবনি হায়না লৌদবা ঙমজদে।

য়ু এন সীসু মণিপুর মচানি শোয়দনা পূক্লিং ফাথগনি খল্লি। অদুদি নত্তদুনা য়ু এন সীবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতগী হেন্না চাওবগুম্না ত্রাইপার্টাইট টোক তৌনবা চেবাউ তৌইগকা হায়বসি অতোপ্পা কন্ত্রিশিংগী মমাঙদা ইকায়জে। মমাঙদা পাল্লম্বা মীহুৎশিংনা মণিপুর কায়নবা হোৎনরম্বা খুদিংমক অমনা অমা পুথোক, অমনা অমা অমুক পুথোক তৌনদুনা ইন্থোক ইনশিন তৌনবগী মহুত্তা অচুম্বা তুং কোয়না চান্না চিন্ননা লৈমিন্নহৌনবা অমসুং মণিপুরগী ঙমখৈ কন্নবা পূন্না হোৎনহঞ্জনীংই। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনগীদমক্তদি করম্বা পার্টিনা মণিপুর থুগাইনবা হোৎনৈ অদুগা করম্বনা মণিপুর কন্নবা হোৎনৈ হায়বসি ভোটর খুদিংমক্লা ৱাখল তানরমগনি খঞ্জে। মণিপুর থুগাইবা পাম্বনা মমাঙদা তৌখিবা অরানবা কয়া কোৎথোক কোৎথোক্তুনা ঙাঙগনি। মী অমনা তঙাইফদনবু ওইরো, মশাগী অনিংবনবু ওইরো তৌরুরিবা থবক অদু অরানবা ওইরবদি হৌজিক চুমথোক্লবগী খন্থবা মতম ওইদ্রিব্রা হায়না হংজনীংই। মরমদি অফবা ওইগেরা, ফত্তবা ওইগেরা লো হায়বসি মীনা শেম্বনি, মীনা শেমদোক শেমজিন তৌবা য়াব্রা হায়না থমজগে, তুংগী মীরোলগীদমক্তা।

ৱাফম অমনা মণিপুরগী লৈঙাক পায়রিবা কোংগ্রেস অমদি কোংগ্রেসতগী লৈঙাক মুনগনি হায়রিবা বি জে পি পার্টি অনীনা কোক চুংশিন্নবীদুনা ইকনমিক ব্লোকেদকী প্রোব্লেম অসি সোল্ব তৌবদা য়ানদ্রবদি; ষ্টেট কোংগ্রেসনা সেন্তরগী বি জে পিদা অইবা চেরোল অমতং পীবিনবা হায়হঞ্জনীংই। মদুদি ব্লোকেদ হাংদোকপা হায়বসি ষ্টেটকী সবজেক্টনি হায়রবনিনা ষ্টেটনা ব্লোকেদ হাংদোক্লবা হোৎনবদা 'ফোর্স' শীজিন্নবদা মীচম মীয়াম অশোক অপন অমদি অশি অনা য়াওরকপা খুদিংমক ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমসুং পিছ টোক্কা মরী শুক্লে লৈনহল্লোই অমসুং 'এক্স গ্রেসিয়া' খুদিংমক সেন্তরগী থৌদাং ওইগনি হায়না সেন্তরগী ফম্নাইবা অহুমদগী তাদনা খূৎয়েক পীবা চেরোল অমা ফংলবদি ষ্টেট কোংগ্রেসনা চয়েৎনবা খুদিংমক তুংগী খল্লগা লৈখায় তানবা হোৎনবীরম্বা পামজে।

***অদোমগী - এলাংবম মনিহার সিংহ***
***থাংমৈবন্দ***

### ভোট ময়াগী থৌজাল

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***মণিপুরগী*** ১১ শুবা এসেমব্লি মীখল ইলেক্সন কম্মিসন্না তাঙ্কক অনী থোক্লা লাক্লিবা মার্চ ৪ অমসুং ৮ দা শোয়দনা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। চৈরক অসিদা নিশাবন্দগী মৈরা পায়বী ইমা ইবেল, ইচে-ইচল কয়ামরুম নিশাবন্দগী শঙশিংদা নিশাবন্দগী থৌদাং পুবিরি। অমরোমদা ভোট লেপকদবা মীওইশিংনা ঙমজবি থাদুনা কোয়থুং থুংনা কোয়চেন চেন্দুনা হোৎনদুনা মতেং পাঙলি। ময়াই কাবা পোৎলম শীজিন্নবা কাঙবুনা পোৎলম অদু হেন্না শীজিন্ননবা কোয়চেন চেন্দুনা খুদোংচাবা লৌনরি। মতমগী মীওইশিং হৈশিংবা কাঙবুনা অওন অওনবা চাবা ফংনবা হোৎনরি। মসিসু মাগী মাগী তৌবা ঙম্বা শক্তিনি। কেন্দিদেট ওইগদবশিংগী ৱার্কর নুপা-নুপী খুদিংমক ঙমজবী থাদুনা মাগী মাগী কেন্দিদেট কাননবা হোৎনরি। অদুবু তাঞ্জা অসিদা য়ু এন সীগী ইকনমিক ব্লোকেদনা চৈথেং অমদি কন্না পীরি। ইলেক্সন কোদ ওফ কন্দক্ট থমখিবদগী লৈঙাক্কী থবক মচা অমা ফংনবগীদমক্তা পীখিবা শেনফমশিংনা করম তৌবা, হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী মীচম মীয়াম অমসুং লৈঙাক্কী মীওইশিং অনীমক চপ মান্নে, করিসু খেন্নবা লৈতে, কনানা লাল্লিবনো হায়বদুসু খঙদে।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চৎন-কাঙলোনশিং অসি লিশাংশিৎনা মাঙজৌননা মথং মনাও নাইনা কাঙলোন চুম্না চৎনরবদি অরানবা খোঙথাং চৎপদা চপ চাবা এক্সন লৌরবদি কাঙলোন লান্না চৎলম্বশিং খরদি অচুম্বা চৎকনি। ১১ শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী মীরেপশিংনা লৈবাক্কী থৌগলগীদমক্তা পুথোক্লিবা কাঙলোনশিং ওন্থোক্লা ফজখ্রে। ইংবনা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপা অসিগা লোয়ননা ৱার্করশিংনা কেন্দিদেটকী খূথাংদগী য়ূম য়ূমদা চঙদুনা পাঙবা য়াবা মতেং কয়া পাঙলি। থম্মোয় শেংনা মীচম মীয়ামগী মীহুৎ ওইখ্রবা মতুংদা কাঙলোন চুম্না অচান মীরাই নাইদনা মথৌ পাঙথোকখিবা মীওইশিংদি শোয়দনা মায় পাকখিগনি হায়বা ৱাফম থমজনীংই।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা ঐখোয়গী শেল য়েনবগী অথিংবা লৈরবসু হান্নগী চৎনবী শেল য়েনবা, চাক চান্নবা, খুদোল পোৎ পীবনচিংবদি অহোংবা লৈরোই, চৎনবী অসি হেক তৌদবদা ভোট কারোই খঙদুনা লৈরবা ঙাক্তনি। মাগী মাগী মরী মতা খূৎচাবী থিকাদার কয়ানা শাখিবা য়ূমশিং, লম্বী, নালা অমসুং কৈথেলনচিংবা খুদিংমক হেক শঙ্গাবগা নিংখাইবগা মান্নরি। মসি মীৎনা উরবা ঙাক্তনি। মীওইশিং অসিগী মরক্তগীসু ইলেক্সনগী কেন্দিদেট ওইদুনা ভোট লেপ্পা শোয়দনা য়াওরমগনি নৎত্রগনা মাগী মাগী খূৎচাবীদা অচৌবা শেন্থং পাঙদুনা শেন্দোং তানবগী লম্বী শোয়দনা য়াৎলমগনি। হায়রিবা মীওইশিং অসি ফত্তে হায়বদি তাবা ফংদে। তশেংনা তৌরিবা থবক থৌওংশিং অসি উরুরবসু মতিক মপা চাদবা ঐহাক্লা হায়বদি কনানসু তাবিদে।

খুদম - ষণনা উরোক থোং লানবা উরুদুনা পাউদম্বদা কনানসু মৱা লৌবিরোই, তাবিরোই। হৌজিক্কী মতমগী হৌরক্লিবা নহারোল অয়াম্বদি মমা মপাবু থওইদবা, মমা মপাগী মমাঙদনা হোই হায়বা তুংদনাঅমা হেক্তা তৌবা মীওইনা মশীং য়াল্লে লমদম অসি। মসিবু চাওখৎপগী খোঙজেল অমরা? ইলেক্সনবু ললোনবগী খোঙথাংদা পুশিল্লোইসি। এসেমব্লি মীখলদা মীয়াম্না দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহল্লসি হান্না মথোং মরম খঙদবগী মতম অদু থাদোক্লসি, মপূং মরৈ ফানা মথৌ পাঙথোক্কদবা মীওই খন্দুনা শেমদোকহৌরসি।

***অদোমগী অথোকপম তোম্বা***
***ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক***

### মরোল থোকপা লাই

